# গাজাদা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা পেলেষ্টিনিয়ন ১৭ ইজরেলি আর্মিনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে



গাজা, মার্চ ৩১ (এজেন্সি):

গাজাগী ইজরেলগা লোন্নবা ঙমখৈ মনাক্তা ইজরেলি লান্মীশিংনা পেলেষ্টিনিয়ন ১৭ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগা লোয়ননা পেলেষ্টিনিয়ন ওথোরিটিনা লৈবাক্কী থাক্তা অৱাবা ফোঙদোকপগী ৱাফম লাউথোকখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, প্রসিদেন্ট মহমদ অবাসনা লৌখিবা ৱারেপ মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা মীওই ১৭ কী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা স্কুল, য়ুনিভর্সিটি অমদি অতৈ মহৈলোয়শঙ পূম্নমক থোঙ লোন্নবা খঙহনখ্রে।

পেলেষ্টিনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থনা হায়খি মদুদি খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীয়ামদা ইজরেলি লান্মীশিংনা নোংমৈ কাপশিনবদা পেলেষ্টিনিয়ন ১৭ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই ১,৪০০ হেন্না অশোক-অপন নংখি।

কুমজা ১৯৭৬ কী মার্চ ৩০ দা খূৎলায় পায়জদবা পেলেষ্টিনিয়ন মীচম ৬ ইজরেলি লান্মীশিংনা হাৎখিবগী থৌওং নীংশিংবা ওইনা খোঙচৎ অমা চৎলিঙৈদা নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা মীওই ১৭ শিখিবনি।

ইরাই নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী খোঙচৎতা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা হায়খি মদুদি গাজাদা লৈরিবা অপূনবা মীওই মিলিয়ন অনীগী মনুংদা চাদা ৭০ দি পেলেষ্টিনিয়নশিংগী চাদা-নাওদা ঙাক্তনি। কুমজা ১৯৪৮ গী লানদা ইজরেলনা গাজা খুদুম চনশিনখ্রবা মতুংদা হায়রিবা মীওইশিং অদু মখা তানা মফম অদুদা লৈহৌবনি হায়রি।

গাজাদা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা পেলেষ্টিনিয়নশিংনা মফম মঙাদা পূনখি। ইজরেলি লান্মীশিংনা মীয়াম তানখায়নবা টিয়র গ্যেস অমুসং রবরনা য়োম্বা ষ্টীল বুলেট কাপশিনবদা মীওই ১৭ শিখি অমসুং অতোপ্পা মীওই ১,৪০০ রোম অশোক-অপন নংখি। গাজাদা থোকখিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা কুৱেটনা হায়জরক-পদগী য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। য়ু এস সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেসনা মীচং মীখায় নাইদবা মওংদা ইনক্বাইরি চখনবা ৱাফম ফোঙদোকখি। য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী মীফম পাঙথোক্লবসু মীহাৎপশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎলক্তবগী মতাংদা পেলেষ্টিনিয়ন মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

জোর্দানিয়ন গভর্নমেন্টনসু পেলে-ষ্টিনিয়ন প্রোটেষ্টরশিং লৈখিদবগী মতাংদা ইজরেলবু মরাল শীখিবগা লোয়ননা মীশি-মীনা থোকখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎকদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

জোর্দানিয়ন গভর্নমেন্টকী স্পোক্স-মেন মহমদ অল মোমানিনা হায়খি, গাজাদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী অফ-ফত্ত থৌদাং পূম্নমক ইজরেলনা পুগদবনি। পেলেষ্টিনিয়ন মীয়াম্না ইং-তপ্পা মওংদা প্রোটেষ্ট তৌখিবদা ইজরেলনা কা হেনবা থৌওং চখুদুনা নোংমৈ কাপশিনবদগী মীশি-মীনা থোকখিবনি। টর্কি অমদি কটার গভর্নমেন্টনসু ইজরেলি লান্মীশিংনা গাজাদা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা পেলেষ্টিনিয়ন ১৭ হাৎখিবগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী ৱারোল থাদোরকখি।

# মথংগী ওলিম্পিক অনীদা নোর্থ কোরিয়া শরুক য়ারগনি



বৈজিং, মার্চ ৩১ (এজেন্সি):

জপান অমদি চাইনাদা পাঙথোক্কদবা মথংগী ওলিম্পিক গেমস অনীদা নোর্থ কোরিয়া শরুক য়ারগনি হায়না ইন্টর্নেসনেল ওলিম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট থোমাস বেকনা প্যোংয়াংদা নোর্থ কোরিয়ন লীদর কিম জোং উন উনরবা মতুংদা ফোঙদোকখ্রে।

নোর্থ কোরিয়ানা প্যোংচাং ৱিন্টর গেমসতা শরুক য়াদুনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী টেন্সন হন্থহনখ্রবা মতুংদা আই ও সীগী প্রসিদেন্টনা শগোলশেন নুমিৎতা প্যোংয়াংদা থুংলখিবনি। হল্লক্লবা মতুং বৈজিং এয়রপোর্টতা পাউমীশিংগা উনবদা বেকনা হায়খি, কুমজা ২০২০ দা টোকিয়োদা পাঙথোক্কদবা সম্মর গেমস অমসুং কুমজা ২০২২ দা বৈজিংদা পাঙথোক্কদবা ৱিন্টর গেমসতা নোর্থ কোরিয়া শরুক য়ারগনি হায়না লৈবাক অসিগী লূচিংবনা খঙহল্লক্লে।

# সিক্যুরিটিনা ঙাক-শেল্লগা মালালা য়ুসফজাই পোক্লফম লমদম স্বাট তম্পাক্তা থুংলখ্রে



পেশৱার, মার্চ ৩১ (এজেন্সি):

খ্বাইদগী নহা ওইনা নোবেল পীছ প্রাইজ ফংখ্রবী মালালা য়ুসফজাইনা ঙসি অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং মরক্তা মশাগী পোক্লফম লমদম ওইরিবা পাকিষ্টানগী স্বাট তম্পাক্তা থুংলখ্রে।

নুপীশিংবু লাইরিক তমহন্নবা থৌরাং লৌখৎপগীদমক চহী মঙাগী মমাঙদা টালিবাননা মকোক্তা নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী শোকখিবী মালালানা মফম কয়াদা লোৎলুরবা মতুংদা অহানবা ওইনা পোক্লফম লমদমদা হল্লকখিবনি।

ছোর্স অমনা হায়খি, অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা খাইবর পাখ্টুনখ্বা প্রোভিন্সকী স্বাট ডিষ্ট্রিক্টতা মালালানা মমা-মপাগা লোয়ননা থুংলখি। পোক্লফম লমদম ওইরিবা মিঙ্গোরাগী মকন বাঘদা চৎতুনা সংলা ডিষ্ট্রিক্টতা মহাক্না নুপীমচাশিংগী স্কুল অমা শঙ্গাগদৌরি।

জিও ন্যুজদা পীখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা মালালানা হায়খিবনি মদুদি মহৈ তম্বা লোইরবা মতুংদা মহাক পুন্সি চুপ্পগী ওইনা পাকিষ্টানদা হল্লক্তুনা লৈনবা থৌরাং তৌরি। পাকিষ্টানদা হল্লক্লবা মতুংদা নুপীমচাশিং মহৈ-মশিন তমহন্নবা মখা তানা খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১২ দা টালিবাননা এটেক চথরকখ্রবা মতুংদা থাদো-রকখিবা ৱারোল অমনা হায়খি মদুদি করিগুম্বা মালালা হিংহৌবা তারবসু খুদোংচাবা তাঞ্জা য়েংলগা অমুক হন্না এটেক চখনবা থৌরাং লৌখৎলগনি। শোকপদগী লায়েংদুনা ফগৎলক্লবা মতুংদা মালালানা পাকিষ্টানদা হল্লকপা য়াদবা মরম্না বৃটেনদা চৎলগা মালালা ফাউন্দেসন লীংখৎতুনা পাকিষ্টান, নাইজিরিয়া, জোর্দান, সিরিয়া অমসুং কেনিয়াগী লূপশিং মতেং পাংখি।

# নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং তৌনবা থৌরাং লৌখৎলে : জপান



*টোকিয়ো, মার্চ ৩১ (এজেন্সি):*

*জপানিজ ফোরেন মিনিষ্টর টারো কোনোনা হায়খ্রে মদুদি নোর্থ কোরিয়ানা অতোপ্পা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলে হায়বা চপ-চানা খঙবা ঙম্লে। হান্না য়েংথীনরম্বা কোরিয়া অনীগী মরী তপ্ন-তপ্না ফগৎলকপগী ফিভম লাকপগা মপা-চান্নানা জপানিজ ফোরেন মিনিষ্টরগী ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।*

*মার্চ থা হৌগৎলকপদা সাউথ কোরিয়াগী অৱাংবা থাক্কী মীহুৎ কাঙবু অমা নোর্থ কোরিয়াদা চৎতুনা লৈবাক অদুগী লূচিংবা কিম জোং উনগা ৱারী শানখি। মীহুৎ কাঙবু অদু হল্লক্লবা মতুংদা সাউথ কোরিয়ন প্রসিদেন্টনা থাদোরকখিবা ৱারোল অমনা হায়খি মদুদি অথুবা মতমদা কোরিয়া অনীগী অহুমশুবা মীফম পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎপা লোইরে।*

*এপ্রিল ২৭ তা সাউথ কোরিয়ন প্রসিদেন্ট মুন জাই ইন অমসুং নোর্থ কোরিয়ন লূচিংবা কিম জোং উন উনদুনা ৱারী শানরবা মতুংদা মে থা লোইশিল্লকপদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকা উনগনি হায়রি।*

*অমরোমদা, য়ুনাইটেদ নেসন্সনা নোর্থ কোরিয়াগী কোইলা অমসুং থাউ স্মগ্লিং তৌবদা মতেং পাংই হায়বগীদমক জহাজ অমসুং সিপ্পিং কম্পেনি খরগী মথক্তা অথিংবা থমখ্রে। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা সিপ্পিং কম্পেনি ২১ গী মরমদা ৱাফম কয়া পুখৎলকখ্রবা মতুংদা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা চাইনাগী সিপ্পিং কম্পেনি মঙা নোর্থ কোরিয়াগী জহাজ ১৫ অমসুং টাইৱানগী মীওই অমা য়াওনা তোঙান-তোঙানবা কম্পেনি, জহাজ অমসুং মীওইশিংগী মথক্তা অথিংবা থমখিবনি।*

*য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী থৌরাং অসি লৌখৎলক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা কিম জোং উননা চাইনিজ প্রসিদেন্ট জি জিনপিং উনখিবগা লোয়ননা এপ্রিল ২৭ তা সাউথ কোরিয়ন প্রসিদেন্ট মুন জাই ইনগা উনরগনি হায়না লাউথোকখি। মে থাদা মহাক্না য়ু এস প্রসিদেন্টকসু উনগদৌরি। য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হায়খি মদুদি কিম জোং উনগা উনবা তারবসু নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা মখা তানা অথিংবা থমখিগনি।*

*নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র খূৎলায় শেমগৎলকপগা লোয়ননা মখল কয়াগী খূৎলায় চাংয়েং তৌদুনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা টেন্সন ৱাংখৎহল্লকপগীদমক মখা তানা লৈবাক অসিগী মথক্তা অথিংবা থমখিগনি হায়না য়ু এস প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখি।*

*অমরোমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী এম্বেসেদর ওইনা য়ু এনদা লৈরিবা নিকি হেলিনা হায়খি মদুদি অয়াবা য়াওদনা চখুরিবা নোর্থ কোরিয়াগী থাউ অমসুং কোইলা য়োনবগী থৌওং লেপহন্নবগী পান্দমদা য়ু এনগী অথিংবা মখা তানা থমখিগদবনি। নোর্থ কোরিয়াগী মায়োক্তা মালেমগী মীয়াম্না অমতা ওইনা লেপমিন্নরি হায়বদু হন্দক অথিংবা থম্নবগী মতাংদা লৈবাক কয়ানা পূন্না ৱারেপ লৌখিবা অসিদগী ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে।*

*য়ু এননা অথিংবা থমখ্রবা নোর্থ কোরিয়াগী জহাজ ১২ মালেমগী হিথাংফম অমত্তদা থুংলুবা য়াররোই। অরোনবা মওংদা নোর্থ কোরিয়াগী কোইলা অমসুং থাউ হোন্দোক-হোঞ্জিন তৌবদা চেন্নবা টাইৱানিজ মচা অদুসু মরল-মথুম পূম্নমক ফাজিনবগা লোয়ননা মপান লৈবাকশিংদা চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়াহল্লরোই হায়রি।*

*ন্যুক্লিয়র খূৎলায় শেমগৎপা লেপহন্নবগী মতাংদা অকনবা প্রেসর পীবা ওইনা কুমজা ২০০৬ তগী য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা অথিংবা থমদুনা লাকখিবনি।*


**ꯑꯃꯥꯡꯊꯣꯡꯒꯤ/অমাঙথোংগী অকোইবদা মতুম ওইনা ইন্থোক্লগা দন-দন লাওরগা নাই চারকপা অমদি য়াম্না চিকপা নাবা, অমাঙথোংদা মরেং মরেং চৎলগা য়াম্না হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওরকপা ফহনবগী ওজা এম ভি অজাদ ফুসমবু কাউবা ঙম্লরোই**



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাঙথোংগী অকোইবদা মতুম ওইনা ইনথোক্লগা দন দন লাওরগা নাই চারকপা অমদি য়াম্না চিকপা নাবা, অমাঙথোংদা মরেং মরেং চৎলগা য়াম্না হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওরকপা, নোংম নোংমগী হকচাং পাঙ্গল শোন্থরকপা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, পুক্তা গ্যেষ্ট্রিক কারগা চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, চাবা তুমদবা, ঙকশম মরি অমদি খ্বাঙ, য়াঙলেন নাবা, খোঙ হাম্বা লোইরকপদা অমাঙথোংদা থুপ্পা, শাবা, ফম্বা ঙমদবা তৌরম্বা অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261, 8014025567 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবা পুম্নমক ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু মপোকসিগী কাউঙম্লরোই, মহাকপু হন্না হন্না থাগৎচরি।

*ওজাগী লায়েংফমশিংদি :*

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Tulihal Lai Manai Shanta Bazar

*থাগৎচরিবা :* **L. ARUNKUMAR**
*Lamlong*

HL-P/786/1



**CAMBRIDGE ENGLISH**
At Keishamthong Elangbam Leikai Leirak Macha, Imphal West.
Admission Starts! 10 Seats only!
**GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH**
Group 1:Special (Classes-X,XI,XII appeared students & others)
Group 2: Senior (Teachers, Office goers, Businessmen & others)
Group 3: Student (Classes-VI, VII, VIII, IX - both BOSEM & CBSE)
**Special English : Competitive Exams.**
Outstanding Features: Complete study material specially designed for the target improvement-Regular tests and assignments for vocabulary, grammar, drills & group discussion, interview skills.
New Course starts on 26th March 2018 & Next course on 5th April 2018
Class time: Morning - 1) 05:00 am to 06:20 am 2) 06:30 am to 08:00 am 3) 08:20 am to 09:50 am 4) 10:00 am to 11:30 am
Afternoon -1) 12:00 pm to 01:30 pm 2) 01:30 pm to 03:00 pm 3) 03:00 pm to 04:30 pm 4) 04:30 pm to 06:00 pm
Place: 1. Keishamthong 2. Singjamei Supermarket
For Address Contact- *9774463856 & 9402280502 ( H.Chinglen)*
English Class-X (BOSEM) starts on 28th March 2018
NB: Home Tutor, Hostel facility and Van service available
HL-P/777/17/3-18/4



**EDUCITY TUTORIALS**
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER, IMPHAL NEAR TRAFFIC POINT & SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI, NEAR ORIENTAL COLLEGE
**ADMISSION OPEN**
FOUNDATION COURSE FOR SESSION 2018
CLASS - I TO X
CLASS - XI & XII (SCIENCE)
Both CBSE & BOSEM
*Register Now!* *Register Now!*
- STUDY MATERIALS
- SUGGESTIONS
- SPECIAL TEST
- COUNCELLING
- VAN FACILITIES
- WELL EXPERIENCE TEACHER
- HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS (Rs. 3000/- Months)

FEE STRUCTURE:
CLASS I TO V (Rs. 800/- Months)
CLASS VI TO VIII (Rs. 1000/- Months)
CLASS IX & X (Rs. 2000/- Months)
CLASS XI & XII (SC.) (Course Fee: 4 Months Rs. 14,500/-)
CLASSES STARTING FROM 12th & 20th MARCH, 2018 (LIMITED SEATS)
Please Call: +91-9612194500
TIMING: 5:00 TO 7:00 AM 4:30 TO 7:30 PM
HL-P/3238/1313/3-12/4



**RECRUITMENT**

RIGHT PLACE FOR THE RIGHT PEOPLE WHO CAN MAKE THE DIFFERENCE.

REWARDS (Rural Empowerment for women and Resource Development Society), came into Existence in August 2014 at Lamphel (Head Office), since then it is able to open branches like Central, Tera, Lamlong, Singjamei, Kakching, Bishnupur, Thoubal etc. So REWARDS is looking for young, dynamic and energetic people who are serious about their career.

| Sl. No. | Name of post | No. of Post | Job Description | Location | Salary | Desired Candidate |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Accountant Head | 2 | Handle full spectrum of Finance Dept, day to day operations, Budget Forecasting, Financial Planning, cost analysis, monitoring, cost control, reviewing cost etc. | Lamphel (Head Office) | Negotiable | MBA Finance/M com/ Master Degree (Computer Knowledge) with at least 1 yrs of exp. in any financial institute. Age should not be less than 28 yrs |
| 2 | Associate Accountant | 5 | Accounting etc. | Thoubal, Imphal West, Imphal East | INR 5000-INR10000 | M.Com/B.Com/ Graduate (Computer Knowledge), Candidate should be ready to go on field when required. |
| 3 | Driver | 1 | N/A | Lamphel (Head Office) | Negotiable | Residing within Imphal West area. |

*Form Issue - 20th March 2018*
*Date of Interview - will intimate personally on phone*
*Last Date – 7th April 2018*
*Form can be avail from : REWARDS, Lamphel Landmark – in-out Fastfood PDA Complex, Shop No. 7 Ph. No.: - 8787319619*
HL-P/903/1



**SANGAI TUTORIAL**
Kwakeithel near Imphal College (Children's Ideal High School)
ADMISSION OPEN
**FOUNDATION COURSE for CLASS XII Sc. (COHSEM)**
Class commencing on 5th April, 2018
Class timing : 4:30 pm - 7:30 pm
Faculty:
* Miss. Nonibala (Physics. COMET School)
* Sir. Sunil (Maths.Former Lec. COMET School)
* Sir. Suresh (CHEM. Former Lec. Extra Edge School)
* Miss. Leimathoi, (CHEM. MECI Explorer Academy)
* Maam. Radharani. (BIO)
* Sir. Oken. (English, MECI Explorer Academy)

Hostel & Van Service available
For more details : 7629855465 / 7005348862
HL-P/5033/8Mar-6May